সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অৱাং ৱাবগাই মখা লৈকায়দগী সগোলশেম নিলাকান্তগী মীহাৎতা চেন্নবা মীওইশিং ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখিবগা লোয়ননা খোল্লাউ কয়া লাউখিবা

SIT IN PROTEST

হাপ্তা কাংজৈবুং মনাক্তা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী ১৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখিবশিং

16th Foundation Day Observation
Kangleipak Students' Association
Venue: Maharaja Chandrakirti Auditorium
New Hapta Kangjeibung

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না শীন্দুনা এমসুগী ময়াই লোয়শঙদা পাঙথোকখিবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরমগা মরী লৈননা নিঙোল ওইবীশিংদা এমসুগী থৌমীশিংনা অঙম্বা খুদোল তমখিবা

জে সী আই এল পি এস অমদি উরিপোক তৌরাংবম লৈকায় ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসনগা পুন্না খুৎশম্নদুনা উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়গী অকোয়বদা লৈরিবা নন-মণিপুরীশিং আই এল পিগী চে-চাং শুনা পায়ৱ্রা হায়না য়েংশিনখিবা

নিলাকান্ত মীহাৎতা চেন্নবা পুলিসনা ফানবা হোৎনরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২১গী অয়ুক পুং ৭ রোম তাবদা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অৱাং ৱাবগাই অৱাং লৈকায়গী সেকমাই তুরেলদা শকখঙদবশিংনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই পুলিসনা ফানবা কন্না চথরি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং শগোলশেম নিলাকান্ত অপোকপা লৈখিদ্রবা পোমেন কৌই। মহাক অৱাং ৱাবগাই মখা লৈকায়দা লৈবনি। মহাক থা অসিগী ১৮গী নুমীদাংৱাইরমদা য়ুমদগী থোকখ্রগা থিবা খঙদনা লৈরকপদগী থা অসিগী ২১গী অয়ুক পুং ৭ তাবদা অশিবা হকচাং ওইনা অৱাং ৱাবগাই অৱাং লৈকায়দগী ফংখিবনি। মহাক্কী ওইথংবা কোক্কী নাকলদা অকনবা পোৎ অমনা থোন্বদগী কোক্কী ফীভম শোক্লা লৈরমখি। মীশি অসিগী মতাংদা জে এ সী অমা শেমখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখ্রে। মরুওইনা থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মীওই ফাদুনা পুথোক্কদবনি। মদু ফাওবা পুথোকপা ঙমদ্রবদি মখা তাবা অকনবা খোঙজং জে এ সীনা মীয়ামগী লোয়ননা চঙশিনগনি। মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মীওই ফাদুনা চৈরাক পীয়ু। জে এ সীনা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থবক লৌখৎপীরক্তুবদি মদুগী থৌদাং লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়রি। ঙসিসু মীশি অসিগী মতাংদা মফম অদুগী মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথখি।

তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী উমংলাই-শিংলক্তগী মরুওইবা লাইফম্লেন অমা ওইরিবা, তোপ-তোপ্পা পেনাগী শৈ-হেক শৈদাবা খক্তনা অমাইবা-অমাইবী অমত্তা য়াওদনা কুমগী হরাও মথোই কাজবা ইবুধৌ শামুরৌ লাকপা পাখংবগী শামুরৌ কৈথেলদা লৈবা হরাওপুং অসিগী শঙলেন মনুংগী ময়োলগী শরুক্তা চাউরাক্লা স্কৱার ফিট ৩৫০০ রোম ওইবা মফম অসিবু ৱাঙ্গৈই এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর ও লুখোইনা টাইলস নপ্পীদুনা শঙলেন অসিবু হেন্না মশক মঙাল থোকহনবীরে। মমাঙদা ইবুধৌগী হরাওবা নংনবা হোৎনবীরম্লগা কোভিদ-১৯না মতম খরা থিন্থখ্রবসু থবক অসিবু মায় পাক্লা লোইশিনবীববগীদমক মিনিষ্টরবু লূপ অসিনা তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী রাইটর্স মীট

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদনা শীন্দুনা ঙসি সিলেটকী হোটেল অমদা অহানবা ওইনা মণিপুরী রাইটর্স মীট, বাংলাদেশ ২০২১ পাঙথোকখ্রে হায়রি। থৌরমসিদা সিলেটকী অমসুং দাকা, ভানুগাছ, বিশগাঁও অমসুং ধমাইনচিংবা মফম কয়াদগী লাকপা মণিপুরী অইবা ৩৫না শরুক য়াখি। সাহিত্য সংসদকী প্রসিদেন্ট এ কে সেরামনা ময়াই তাংবল লৌরগা নাম্থ্রম শঙ্কর অমদি নিহার রঞ্জন শর্ম্মনা কন্দক্ট তৌখিবা থৌরমদুদা অইবশিংনা বাংলাদেশতা মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙচৎ, ফীভম অমসুং করম্না অতৈসু মপুং মরৈ ফাহনবা য়াগদগে হায়বা হীরমশিংদা কুপ্লা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

লৌশাল লৌবিগনু

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : কাংহুচিংজিন খুলেননা কোল্লিবা সাবম লৌকোল অসি কুমসি চহীগী ওইনা নোং লিক্লা তাবা মরম্না লৌমীশিংনা লৌ নীংথিনা লোক্লন্দবা মরম্না লৌমীশিংনা লৌশাল পীদবা, লৌপুশিংনসু লৌশাল লৌবিদনবা অমদি লৌ মপুশিংনা লৌ শৎপীদনবগী ৱারেপ অমা কাংহুচিংজিন ভিলেজ দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (কে কে ভি দি সী), মৈরা পায়বি অমসুং কাংহুচিংজিন নহারোল ক্লবকী অপুনবা মীফম অমনা লৌখ্রে হায়না লুপ অহুম অসিগী প্রসিদেন্টশিং অমদি সেক্রেটরিনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদনা লৈখিদ্রবশিংগী এক্স-গ্রেসিয়া লুপা লাখ ৪/৪ পীবীয়ু : ইবোবী

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবশিংগী এক্স-গ্রেসিয়া অসি লৈঙাক্লা লুপা লাখ ৪/৪ পীবীয়ু হায়না সী এল পিগী লিদরসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোরক্লি।

হীরমসিগা মরী লৈননা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোরকপদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা কুমজা ২০২০গী মার্চ ১৪দা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা লৈখিদ্রবশিংদা এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা লুপা লাখ ৪/৪ পীগনি হায়না লাউথোকখিবনি। অদুবু হায়রিবা নোটিফিকেসন অসি রিভাইস তৌদুনা অনৌবা নোটিফিকেসন অমা থোক্লগা এক্স-গ্রেসিয়াগী শেনফম অসি লুপা লিশিং ৫০ খক পীরগনি হায়রকখি। মসিদা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা হান্নদগী হৌনা কোভিদ-১৯গী ভিক্টিম ওইরবা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা হান্না থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা লুপা লাখ ৪/৪ পীবীননবা তকশিন্দুনা লাক্লি। ৱাফম অসি শৌগৎপগা লোয়ননা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনসু কোভিদকী ভিক্টিম ওইখ্রবশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ৪/৪ এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা পীবীননবা দিমান্দ তৌবনি। হীরমসিগা মরী লৈননা মীৎয়েং চঙবীনবা অমদি মতিক চাবা থবক পায়খৎপীননবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদসু অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভ অমসুং অনীশুবা ৱেভকী মতমদা লল্লোন-ইতিক তৌবা য়াখিদবা অমদি শুফম নোম্ফম লৈতবদগী মীয়াম্না অৱাবা কয়া চাউনা মায়োক্লখি। মসিদসু নত্তনা মীওই কয়া কোভিদনা নাবদগী লন্নাই হোস্পিটালশিংদা শেল চঙনা লায়েংনবা মতুং লাইবক থীদুনা লৈখিদবা কয়াসু য়াওরি। অসিগুম্বা ভিক্টিম ওইরবা ইমুংশিং অসিগী শেল-থুমগী অৱাবা কয়া অসি য়েংবীরগা লৈঙাক্লা লুপা লাখ ৪/৪ এক্স-গ্রেসিয়া পীননবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

থাজবা পীরম্লগা দিমান্দ পীরক্তবনা দিসেম্বর ১দগী খোঙজং মখা তানা চথরগনি : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ)না মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা সেভেন্থ পে পীবীয়ু অমদি ইমপ্লোয়ীশিংগী ফংফম থোকপা রাইট ফংহনবীয়ু হায়না খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবদা এল দি এগী দিরেক্টর অমদি মকোক থোংবশিংনা দিমান্দশিং পীরগনি হায়না থাজবা পীরম্লগা থা অমা হেল্লবা ফাওবা দিমান্দ পীরক্তবনা মরম ওইদুনা দিসেম্বর ১দগী খোঙজং মখা তানা চথরগনি হায়না ঙসি এল দি এগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এল দি এ ৱার্করস এন্দ ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি পি শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, চহী অসিগী ওক্টোবর ৩০দা এল দি এগী দিরেক্টরগী চেম্বরদা উনখিবদা য়ানখিবা ৱাফমদি তরেৎশুবা পে অসি কুমজা ২০১৬কী জন্যুৱারী থাদগী নোসনেল ইফেক্ট পীরগা কেস পেমেন্টনা কুমজা ২০২১গী এপ্রিল থাদগী চৎনহনগনি হায়না থল্লকখিবা ৱাফমশিং নবেম্বর থা লোইশিল্লক্লবা ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্তবা অমদি থাজবা য়াবা থবক অমত্তা পায়খৎলক্ত্রে। মরম অদুনা ৱার্কর অমদি ইমপ্লোয়ীশিংগী মায়কৈদগী নবেম্বর ২দা পীশিনখিবা ৱারোলগী মতুংইন্না লাক্লিবা দিসেম্বর ১দগী ৩ ফাওবা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনগনি। অদুগা দিসেম্বর ৪দগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক মতম কক্তনা চথরগনি।

মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসন লিমিটেদ, ইম্ফালগী ইমপ্লোয়ীশিংদা চপ চাবা সেভেন্থ পে ফংহনখিবা অদুগুম্না এল দি এগী ৱার্কর অমদি ইমপ্লোয়ীশিংসু ফংহনবীয়ু। লোক্তাক কন্ননবা হোৎনরিবা ঐখোয়বু হন্থবা থাক্তা থম্বীরিবা অসি পেন্দে। এল দি এ ৱার্করস এন্দ ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন্না তাল্লিবা দিমান্দ অসি পীদ্রবদি এন ঐচ পি সীনা ইলেক্ট্রিক পুথোকপদা শীজিন্নরিবা লোক্তাক্কী ঈশিং পুশিল্লিবা কেনেল অসি ফাওবা য়াওনা থিংজিল্লগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা এল দি এ ৱার্করস এন্দ ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী এদভাইজর সী ঐচ জয়, এদভাইজর দিগবিজয় কুমার অমদি য়ুনিয়নগী মেম্বর কয়ামরুমসু শরুক য়াখি।

কে এস এগী ১৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী ১৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম হাপ্তা কাংজৈবুং মনাক্তা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকৃতিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মপোক কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা কে এস এনা শীল্লগা জে নিমস অমসুং রিমসতা ঈ কৎখিবা মহৈরোয়শিং অমসুং মহৈরোয় লূপকী থৌপুবশিংদসু লেংয়ান খুদোল তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা কে এস এগী প্রসিদেন্ট এস বিদ্যানন্দনা হায়খি, কে এস এনা হেক শাফোঙলকপদগী হৌনা মহৈরোয় খুন্নাইগী য়াইফননবা অঙম্বা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। থোং মান্নবা মহৈরোয় খুন্নাইগী ওইবা একাদেমীক কেম্পেয়নগী মখাদা কে এস এনা অহেনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎননবগীদমক শেম-শারে। মমাঙদা পায়খৎলম্বা থবক থৌরমশিংগী মখা তারকপদা করি করি পায়খৎকদগে হায়বদু লৈবাক মীয়ামদা শোয়দনা খঙহঞ্জরক্কনি। মহৈরোয় খুন্নাইনা থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসিদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা অৱাবশিং কোকহন্ননবা হোৎনগনি। ঐগী ঐগী হায়বা অপীকপা ৱাখল থাদোক্তুনা অপূনবগী অমদি কংলৈপাক্কী হায়বা ৱাখল্লোন্দা মাঙ থারগা থবক থৌরম কয়া পায়খৎমিন্নরসি।

অথৌবা লুচিংবা কয়ানা কথোক্লম্বা অমদি মখোয়না তৌরম্বা থবক থৌরম কয়া অদুবু ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা খঙহন্ননবা হোৎনবা অমদি অথৌবশিংগী মরমদা ইবা অখন্নবা ৱরোলশিং হৌজিক লৈরিবা এদ্যুকেসন সিষ্টম অসিগী সেলেবসতা হাপচিনবা মথৌ তারে। ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা অপূনবগী ৱাখল্লোন চেলহন্ননবা মতম ওইরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল এৱার্দী ইবোতোম্বী খুমননা অথোইবা মীথুংলেন, কে এস এগী হান্নগী প্রসিদেন্ট থোঙাম অজিৎকান্ত, য়ুম্নাম প্রদিপকুমার, এম লক্ষ্মন অমসুং নিংথৌজম চেতননা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলনসু শীন্দুনা জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা জিরিবাম ম্যুনিসিপালিটি কমপ্লেক্সকী ওদিটোরিয়ম হোলদা কে এস এগী ১৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিরিবামগী এস দি ও, এস ইন্দ্রজিৎ, কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ অচৌ, জিরি কোলেজগী প্রিন্সিপাল সী ঐচ রনধোনি, জিরিবাম ইমা ৱিমেন এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট টি ঐচ জিনি, কে এস এগী এদভাইজর এল সুরেন্দ্র অমদি কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এল বোলসননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ক্যুইজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি।

সী পি আইনা কন্সটিট্যুসন দে পাক শন্না পাঙথোক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা বি আর অম্বেদকরগী ১৩১শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা ঙরাং লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন দেগী থৌরম ইরাবত ভবন ইম্ফালদা পাঙথোকপা হৌখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম তরুক্তা পাক শন্না পাঙথোক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা সী পি আইগী ষ্টেটকী ৱাঙাংলোয় কমরেদ আর কে অমুসনানা মণিপুরগী মীয়ামদা পাউজেল পীরদুনা ডা. বি আর অম্বেদকর অমদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মতাংদা ৱারোল কয়া ফোঙদোকখি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ডা. বি আর অম্বেদকর শোথরবা দলিট মচানি। মরম অদুনা মহাক্লা লৈবাক অসিগী শোথরবা মীয়ামগী য়াইফননবগীদমক কন্সটিট্যুসন অসি দ্রাফ্ট তৌরম্বনি। কন্সটিট্যুসনগী প্রিএম্বলদা য়াওরিবা সোভরেন, সোসলিষ্ট, সেক্যুলর হায়রিবা ৱাহৈ অহুম অসি অসুক্কী মতিক মমল য়াম্মী। প্রিএম্বলদা ৱি দি পিপল ওফ ইন্দিয়া হেভিং সোলেমলি রিজোল্ভ টু কন্সটিট্যুট ইন্দিয়া ৱিথ টু এ সোভরেন, সোসলিষ্ট, সেক্যুলর, দেমোক্রেটিক রিপব্লিক এন্দ দি সেক্যুর টু ওল ইটস কন্সটিট্যুসন হায়বা অদুনা তাকপদি নীংতম্বগীদমক, মান্নবা খুন্নাইগীদমক অমদি ঙাক শেন্ননবগীদমক দেমোক্রেটিক ওইবা ইরৈবাক ওইননবা চান্নবা থবক তৌননবা পল্লম্বনি। কন্সটিট্যুসননা পীরম্বা মান্নবা খুন্নাই হায়বা ৱাখল্লোন অদু ইন্দিয়াদা লৈরিব্রা। ইন্দিয়া ঙসিদি লায়রবশিং নমথরগা শেঞ্জাও পায়বশিংবু কন্না শৌগৎপা লৈবাক ওইরে। নন-কেপিটেলিষ্টকী লম্বীদা চথরম্বা ইন্দিয়া ঙসিদি নিও লিবরেল ইকনমিক্সকী লম্বীদা চথদুনা মীয়ামগী, নেসনগী লৈরম্বা লন-থুম পুম্বা প্রাইভেটাইজ তৌখ্রে। লৌমী-শিন্মী অমদি শুরি-নোংলিবা মীয়াম কা হেন্না শোথরক্লগনি। মসিমক ডা. বি আর অম্বেদকরনা পামজরম্বা নত্তে হায়খি।

মালেমদা ইন্দিয়ানা দিমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক ওইজরবসু ঙসিদি লৈঙাক অসিনা দিমোক্রেসি খোঙ্গাওনরি। অফস্পা লৌথোকপদি লায়রদনা পার্লিয়ামেন্টকী ৱারেপ য়াওদবা নম্ফুদা অন-দেমোক্রেটিক ওইবা থবক খুৎতৌ কয়া চথরি। ষ্টেট ওইজরম্বা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইনা অনী খায়দোক্তুনা নম্ফুদা থমখ্রে। সী এম ওইরম্বা, লৈবাক্কীদমক খঞ্জরম্বা ষ্টেট অদুগী লুচিংবা কয়াবু চহী অমা হেন্না হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লি। মসিমক দিমোক্রেসি অমদি বি আর অম্বেদকরগী মঙলান নমথবনি হায়নসু স্পোক্সপর্সন অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

দিফরেন্টলি এবল্ড চিলদ্রেনশিংগী মেদিকেল এসেসমেন্ট কেম্প পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): জোনেল এদ্যুকেসন ওফিস (জেদ ঈ ও) থৌবালনা শীন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১দগী হৌরগা চয়োল অমা চথগদবা অনীশুবা দিষ্ট্রিক্ট এদ্যুকেসন এক্সেলেন্স এৱার্দ ২০২০গী মনা লান্থোকপগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সী এম ও থৌবালগা খুৎশম্নদুনা দিফরেন্টলি এবল্ড চিলদ্রেনশিংগী ওইবা এন্যুএল মেদিকেল এসেসমেন্ট কেম্প পাঙথোক্লগনি হায়না জেদ ঈ ও থৌবাল অরাম্বম অনিলকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মিনি সেক্রেটরিয়েট থৌবালদা লৈবা জেদ ঈ ওগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা এন্যুএল মেদিকেল এসেসমেন্ট কেম্প অসিদা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩ ফাওবদা চহী ৬তগী ১৮ ফাওবদা লৈবা দিফরেন্টলি এবল্ডশিংনা খুদোংচাবা অসি লৌবীয়ু। কেম্প অসি অয়ুক পুং ১০.৩০দগী নুংথিল পুং ৩.৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি। কেম্প অসিদা ভিজন ইম্প্যয়র্মেন্ট, দিফ ওফ হার্দ ওফ হিয়ারিং, মেন্টেল হেল্থ কন্দিসন্স, ইন্টলেকচ্যুএল দিসএবিলিটি, এক্কার্দ ব্রেন ইঞ্জুরি, ওটিজম স্পেক্ট্রম দিসওর্দর অমদি ফিজিকেল দিসএবিলিটিগী এসেসমেন্ট চথগনি।

কেম্প অসিদা মেদিকেল স্পেসলিষ্টকী এক্সপার্ট টিম অমা লাক্তুনা অঙাংশিংগী দিগ্রী ওফ দিসএবিলিটিগী চাং অসি এসেস তৌবগা লোয়ননা সর্টিফিকেটসু খুৎশিন্নগনি। লোয়ননা মথৌ তাবা এইদশিং অমদি এপ্লাইনশিংসু ইস্যু তৌগনি। মরম অসিনা মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংবু কেম্প অসিদা শরুক য়াহন্দুনা খুদোংচাবশিং অসি লৌবীয়ু হায়না জেদ ঈ ও থৌবাল অরাম্বম অনিলকুমারনা আপীল তৌরক্লি।

পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : সেলিন দিজিটেলনা ঐখোয় পুন্না কোভিদ-১৯ থেংনমিন্নগনি হায়বা পান্দমদা চথরকপা কোভিদ-১৯ এৱেয়ার্নেস কম পোষ্টর কেম্প্যেন ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পোৎশংবম খোইরুদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প্যেন অদু সেলিন দিজিটেলগী থৌপুবশিংনা শরুক য়াদুনা চথখি হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমগী মায়কৈদগী ডা. আর কে রঞ্জনবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমগী মনুংগী লম্বী পরিংদা ষ্ট্রিট সোলর লেম্পশিং থানবীদুনা পুমঙান ঙানহনবীদুনা হোমগী অঙাংশিং নুমীদাংগী মতমদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাহনবীবগীদমক লোক সভাগী এম পিসু ওইরিবা এদ্যুকেসন অমসুং এক্সর্টেনেল এফেয়র্সকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. আর কে রঞ্জনবু য়াইবীলেনগী থৌবুরোয়শিং, হোমগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গৈই পিবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মতম খরগী মমাঙদা এম পিনা চিলদ্রেন হোমসিদা লাকপীদুনা চেঙ, হৱাইনচিংবা পীবীরম্বা নুমীৎতুদা নুমীদাংগী মতমদা মনুংগী লম্বীশিং মম্বদগী খুদোংচাদবদু খঙবীদুনা লম্বীসিগী চিদাইদা ষ্ট্রিট সোলর লেম্পশিং থানবীদুনা হোমগী ইনমেটশিং অমদি ষ্টাফশিংগী অৱাবা কোকহনবীগনি হায়বীরম্বদু থবক ওইনা পাঙথোকপীরকপসিদা হোমসিগী মীওইশিংনা থম্মোয়দা নুংঙাইজবা ফাওজে। এম পিগী তুংগী পুন্সি খোঙচৎতা মায় পাকপা ওইহনবীননবা হোমগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিগী মীওইশিংনা শেন্বীবা মপুগী মফমদা থৌনিজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল মোরে হায়ৱে ৱেলফেয়র কম্মিটি (আই এম ও ঐচ দব্লিয়ু সী ও)না মীয়ামগী থৌগল তৌরকপা চহী ১৪ মপুং ফারকপগী মপোক নুমীৎ থৌরম ঙসি নুঙৌরোক বেপটিষ্ট চর্চকী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল মোরে লম্বীগী নাক য়েৎতা খুন্দারিবা খুলশিংগী নিংথৌশিং অমদি খুলগী থৌপুবশিং লোয়ননা আই এম ও ঐচ দব্লিয়ু সী ওগী থৌমীশিংনা মপুং ওইনা শরুক য়াদুনা চন্না পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল মোরে হায়ৱে ৱেলফেয়র কম্মিটিগী লৈখিদ্রবা ফাউন্দর মেম্বর ৪গী মফমদা মখোয়না মীয়ামগী অমদি কম্মিটি অসিগীদমক লৌরম্বা থৌদাংশিংবু নৌহৌনা নীংশিংদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা মখোয়গী থৱায়না ঈংনা তপ্না লৈনবা থৌনিজবা অমদি লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী ইমুং-মনুংদা এপ্রিসিএসন সর্টিফিকেট পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎপনা মপোক নুমীৎ থৌরম অসিগী মপুং ওইবা থৌরমশিং ওইখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা আই এম ও ঐচ দব্লিয়ু সী ওবু মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্নবা অমদি কম্মিটি অসিনা মীয়ামগীদমক মখা তানা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা শরুক য়াখিবশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা আই এম ও ঐচ দব্লিয়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট এল সুভাসচন্দ্র এলিয়স সুভাসনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুর মীয়ামগী অচৌবা হিংনবগী লম্বী অমা ওইরিবা ইম্ফাল মোরে লম্বী অসিদা মতম অমদা হুরান চিন্থি, মীগী মপোৎ মুনবনচিংবা মখল কয়াগী ক্রাইম তৌদুনা লম্বী অসিদা হিংনবগী লম্বী ওইজরিবা মীওই কয়াদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখিবা অদুবু খরদা ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন্দা লম্বী অসিগী নাক-য়েৎতা খুন্দারিবা খুলশিংগী নিংথৌশিংনা শরুক য়াদুনা হৌখিবা চহী ২০১৭তা ইম্ফাল মোরে হায়ৱে ৱেলফেয়র কম্মিটি অসি শেমখিবনি। কম্মিটি অসিনা লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামগী মতেং পাংবখক নত্তনা খুদামিন্নরিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা খৃষ্টমাস মতমদা লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা খুন্দারিবা খুলশিংদা অচা-অথকশিং খুদোল পীদুনা লাক্লি। মখা তানসু মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎনবা পান্দম থল্লি হায়খি।

মুফ্টি, মৌলানা, হাজিশিংনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): রাইটফুল ইলেক্সন মুভমেন্ট (আর ঈ এম)না শীন্দুনা নো কেস ফোর ভোটকী মতাংদা মুফ্টি-ঈ-কিরাম, মৌলানা অমদি হাজিশিংতগী ওইবা গ্রান্দ কন্সল্টেটিভ কনফরেন্স অমা ঙরাং নুমীদাং লিলোংদা লৈবা ইস্লামিক বেবি ইংলিস স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

দারুল উলূম মার্কজ মণিপুরগী উষ্টাদ (ওজা) মৌলানা অলহাজ সৈফুদ্দিননা সদৌ (থৌরম মপু) ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মীখলদা শেল লৌবা অমদি পীবা হায়বসি ইস্লামিক লোগী ৱাংমদনি মসি তৌরোইদবনি হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখ্রে।

ৱারোলশিং অদু মুফ্টি অমদি মৌলানাশিংতগী ওইনা কম্মিটি রাইটফুল ইলেক্সন মুভমেন্ট (আর ঈ এম)গী কনভেনর মুফ্টি সাবিরনা ফোঙদোকখিবদা, মুফ্টিয়ান-ঈ-কিরাম, মৌলানা অমদি হাজি পুম্নমক্লা মপুগী মিং লৌরগা নো কেস ফোর ভোটকী চঙশিল্লক্কদৌরিবা খোঙজংশিংবু মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নবা, আর ঈ এমগী এগজিক্যুটিভ বোর্দগী মেম্বর মশীং হেনগৎহন্দুনা চাউথোকপা, মখল খূদিংগী মীখলশিং হায়বদি জেনরেল ইলেক্সন, ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল, পঞ্চায়ট, কোলেজ/স্কুলনচিংবশিংগী মীখলদসু শেল পীবা লৌবা, খুদোলপোৎ পীবা লৌবা, চাকচা-হৈজান্নবা অমদি নুপীশিংনা পর্দাহগী ৱাংমদা ফঙ্কসননচিংবশিংদা থোক্তুনা শরুক য়াবা হায়বসি সারিয়টনা য়াদে, অচৌবা গুনাহনি, হরামনি হায়না মুফ্টিয়ান-ঈ-কিরামশিংনা ফটৱা পীদুনা লৈরিবনি।

হায়রিবশিং অসি মুসলমান অমা ওইনা ঙাক্লা চৎপা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। মরম অসিনা ঙসিগী মীফম অসিদা শরুক য়ারিবা মুফ্টিয়ান-ঈ-কিরাম, মৌলানা অমদি হাজিশিংনা ইশাগী ইথৌদাংনি হায়বা ৱাখলদা মশা মশাগী অকোয়বদা লৈরিবশিংদা মীখলগা মরী লৈনবশিংদা তৌরোইদবা সারিয়টনা য়াদবশিংগী মতাংদা মখল কয়াগী পান্থে শীজিন্নদুনা ৱাখল তাহনবা হায়বা অমত্তা ওইনা ফিরেপ লৌমিন্নবা। করিগুম্বা মথৌ তারক্লবদি মেম্বরশিংগা লোয়ননা ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবা। ইমামশিংনসু মশা মশাগী মোহাল্লাহদা লৈরিবা মীওই খূদিংমকপু ইলেক্সনদা সারিয়টনা য়াদবা তৌরোইদবশিংগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু মোত অমত্তা ওইনা য়ানখি।

ইমামশিং তান্নরগা মোহাল্লাহ ৫/১০ পুনশিল্লগা আর ঈ এমগা লোয়ননা কোর্নর মীটিং পাঙথোক্তুনা নো কেস ফোর ভোট কেম্প্যেনগী পান্দমশিং মীয়ামদা ৱাখল তাহনবা। তাজুরেদুল কুরানগা খুৎশম্নরগা অলিমাশিং অমদি দীন-য়াটকী কোর্স লোইরবীশিংগী ওইনা অথুবদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা নো কেস ফোর ভোটকী মতাংদা ৱাখল তাহনবা। আর ঈ এমনা লাক্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদা মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাং তৌরিবশিংগা উনদুনা নো কেস ফোর ভোটকী মতাংদা খঙহন্দুনা ঙাক্লা চৎনবা হায়জবা। লিলোংগী অতোপ্পা মফমশিংদসু উলামা-কিরামশিংগা উনদুনা কেম্প্যেন অসিগী মতাংদা ৱারী শাবা নো কেস ফোর ভোট মায় পাকহন্নবা হায়বসি ৱারেপ লৌখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা জমাইতুল উলামা মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি মুফ্টি সাফিউল্লাহ ক্বাস্মি, দারুল উলূমগী রিটায়র্দ উষ্টাদ মৌলানা ইস্লাৱর রহমন, মদ্রাসা জামিয়া কাস্মিয়াগী মোহতামিম মৌলানা হুসেন অহমদ ক্বাস্মি, অঞ্জুমান মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মৌলানা কয়ামুদ্দিন, দারুল উলূম মার্কজ মণিপুরগী নাইব মোহতামিম মৌলানা মুহৈয়ুদ্দিন মজাহিরি অমদি মার্কজ দারুল য়াটমা অতৌখোংগী মোহতামিম মুফ্টি সলাতুর রহমন মজাহিরিসু শরুক য়াখি।

মাউন্ট মণিপুর কৌখিবসিনা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপু অথৌবশিংগী থৱায়না পেল্লম্লগদ্রা : লৈকল্লুপ

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): মাউন্ট হেরিয়েটপু মাউন্ট মণিপুর কৌখিবসিনা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপু অথৌবশিংগী থৱায়না পেল্লম্লগদ্রা হায়না লৈপাক কনবা অহল্লুপ (লৈকল্লুপ)কী মায়কৈন্দগী ফোঙদোরক্লি।

লৈকল্লুপকী লুচিংবা নেপ্রম নুংকাংবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মতিক মথৌনা মরিংজেল লৈখ্রবা ইপ-ইপু অথৌবশিংগী মশাদগী শীংথাবা ঙল্লরোইদবা ঈখেংশিং শীন্থদুনা তুংগী মীরোল মচা-মশু ঐখোয়গীদমক ইরমদম কংলৈপাকসি ঙাক্লম্বনি। কনাগীসু মীখা পোন্দবা পাক চাউখ্রবা ইরমদমসিদা অদুঙৈগী ইপা-ইপু অথৌবশিং অদুনা হাইনা হুম্না মনিং তম্না পাল্লম্বনি। য়াম্না থেংথরবা মতমদা বৃটিশশিংগা মরুপ ওইরুবদুগী মহৈনা ঐখোয়না শোন্থরকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা মখোয়গী খুদোংচাননবগীদমক ঐখোয়গী ইনিংথৌগী অয়াবা য়াওদনা ঐখোয়গী পাক চাউখ্রবা লম কিয়ামপোক লমজাওবু (কবো তম্পাক) বর্মাদা শান্দোকখি। ঐখোয়না লমগী অশানমল ফংজরবসু মতমদুগী ইপা-ইপুশিংনা পেনখিদবদু ঙসিগী কংলৈচাশিংগী মনুংদা কাউথোকপা ঙমদবা শোয়দনা য়াওরম্বা য়াই। অসুম্না বৃটিশশিংনা ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়বগুম ঐখোয়গী লৈঙাক্লোনদসু খুৎ থিংজিনবা হৌরকখি। বৃটিশশিংগী অসিগুম্বা থৌওংসি ঐখোয়গী নীংতম্বা পামজবা নিংথৌ মচাশিং অমদি অঙম-অথৌশিংনা খম থেংনা পেনখিদে। লোয়ননা মসিগী মহৈনা মমৈথংদা বৃটিশশিংগা লান্থেংনখি। লানদুনা মায়থীখিবদগী বৃটিশশিংগী মীৎয়েং মখাদা ঐখোয়গী নিংথৌশিং পান্দুনা লৈবাকসি ঙাক্লকখি। চহী খরগী তুংদা বৃটিশশিং হনখিবগা লোয়ননা ঐখোয়গী হান্নগী নীংতম্বা অমুক হঞ্জিন্দুনা ঐখোয়গী লৈপাক ঐখোয়না ঙাকচখি। অদুবু মতম খরগী তুংদা চয়েৎনৈ হায়নরিবা মর্জর এগ্রিমেন্টকী মখাদা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা হেক তীনবগা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ঐখোয়না ফংলম্বা লমগী অশানমল ফংদনা কবো তম্পাক বর্মাদা পীথোকখি। মতমদুদা ঐখোয়না ফংলম্বা লমগী অশামল অদু মতমসিগী ওইনদি চহীগী ওইনা লুপা ক্রোর লিশিং কয়ামরুম ওইগনি হায়না অখণ্ড-অহৈশিংনা পাউচেশিংদা ফোঙদোরকপা থেংনরকখি। অসুম্না মণিপুর তম্পাক্কা পাক চাউবা মান্নরবা মমল তাঙলবা মখল কয়াগী পোথোকশিং মরাং কায়না ফংবা লম অমা মাঙজখিবনা মরম ওইদুনা ঐখোয় মীপাল তাঙদ্রবদি হিংবা ঙল্লরোইদবা অশোনবা ফুরুপ অমগী থাক্তা কুপ্লকখিবগী মরম অমসু ওইবা য়াই হায়বসি য়েৎননিংঙাই লৈতবা ৱাফম ওইগনি।

মীতোপনা মীশিং হেঞ্জিল্লক্লবা, য়েলহৌমীশিং মুৎখিবা য়াবগী ফীভম য়ৌরক্লবসিদা ঐখোয় হিংলি। কবো তম্পাক ঐখোয়গী ওইরিঙৈদা মীপাল তাঙদনা হিংবা ঙল্লম্মী। ফীভমসি অমুক ওইহন্ননবা কবো তম্পাক ঐখোয়দা হঞ্জিন্ননবা করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনা হোৎনরিবগে। হোলেনফাইদা লম মাঙবা বোর্দর শেরান তুরান য়ুংশিল্লি হায়বসিদা অমদি অফস্পা লৌথোক্লবা করম্বা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং লমদমসিগী ঈকায়খুম্নজরবা এম পিশিংনা থিংননবা মায়োক য়ারিবগে। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা নোংম-নোংমগী লূপশিল্লক্লিবা ঐখোয়গী নহাশিং কন্ননবা করম্বা পোলিসী চপ চানা পুথোক্লিবগে। করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনা ৱাফমসিগী মতাংদা করম্বা ৱাহৈ হায়রিবগে। অফস্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পুশিল্লকপা নৎত্রা। মীয়াম্না পাম্নদ্রবা অসিগুম্বা লো অসি চৎনহন্দনবা করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনা মায়পুননা হোৎনরিবগে। হৌজিক ওইরিবা ইরমদমসিগী ফীভমসি নোঙ্গাখ্রবা ইপা-ইপু অথৌবশিংদুনা লাইরৈপাক্তগী য়েংথরকপদা পেল্লমগদ্রা। ঐখোয়গী লমদমসিসু শেঞ্জা-থুমজা, অচান-মীরাইনা হারবা লমদমনি হায়বদা থোইদোক্লা লাল্লোইদ্রা খঞ্জে। আমর্দ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্টকী মতুংইন্না নুংথিল পোবোপ্তা মদুসু মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লী ফম্লিঙৈদা নোংমৈনা কাপ্পদগী মীচম য়াওনা মীশি-মীনা থোকখিবা, হাৎপা নত্তনা উপায় লৈতে হায়বা ঙম্বা পোলিটিকেলগী লুচিংবশিংনা লৈবাক ঙাক্লিবা লমদম অমসুনি। মচা-মশু ঐখোয়না ইপা-ইপুশিংনা শেমগৎলম্বা লৈবাকসিদা হিংলিবা ফীভমসি উরুরগা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা মাউন্ট হেরিয়েটপু মাউন্ট মণিপুর ওনখিবদা মচা-মশু ঐখোয়না হরাউজবদুনা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং নুংঙাইরে হায়না নোঙ্গাখ্রবা অথৌবশিংগী থম্মোয়দা অপেনবা পোল্লমগদ্রা হায়বসি খন্ননিংঙাই ওইবা ৱাফমনি হায়না মরী লৈনবা পুম্নমক্কী মফমদা লৈকল্লুপকী অহলশিংনা থমজনিংই হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।